# চাইনাবু চৈবগী মহুত্তা মীয়ামগী থৱায় কন্নবা হোৎনবীয়ু

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঙসি ওইরিবা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎনা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না শিখ্রে হায়না ইন্দিয়াগী মপালদা লৈবা লাইচৎকী মরমদা এক্সপার্ট ওইবা সাইন্টিষ্ট অমদি স্কোলরশিংনা ফোঙদোক্লরিবা - নোংমদা ইন্দিয়াদা মীওই লিশীং ২০/৩০ শিরগনি, অদুগা শন্দোকপনা লাখ ২০/৩০ ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লিবা, অশেংবা তুরেলগী ঈচেলনি হায়না লৌনরিবা গঙ্গা তুরেলদা মীওই চা কয়া তাওথরকপগী মালেমগী লৈবাক কয়ানা অকি-তুজুং ফাওনরিবা অমদি মশীং থিঙমদ্রবা ইমুং কয়াদা কায়নবগী মৈশা কোকত্রিবা ফীভম অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়াগী মীদিয়া কয়াবু শিংনদুনা চাইনাদা চৈবসি লেপত্রি ঙসি ঙসিসু। ঙরাং নহান্তনি সী এন এন ন্যূজগী মতুং ইন্দুনা মে ২৩দা শন্দোকখিবা "Ye Bharatka Baat Hein" হায়না মীংথোনবা ইন্দিয়াগী টি ভি চেনেল অমদা চাইনাবু থীনা চৈখিবা, মরাল শীখিবা। মসিগী মতাংদা মখা চৎথদ্রিঙৈদা লাইচৎ অসিবু মতৌ করম্না চাইনানা লাকশিনবা ঙমখিবগে হায়বদুগী মতাংদা মতেক অমা নীংশিংজগে ময়ামদা।

চাইনাদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি য়াম্না মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙমখি য়াম্না চেকশিনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎতুনা। খোঙথাংশিং অদুগী মনুংদা হান্না লৈবাক অমত্তদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মখলগী লোকদাউন থমদুনা লাইচৎ অসি লাকশিনখি। মসিগী মথক্তা খুদক্তা ফমুং লিশীং ৫/৬ থাবা হোস্পিটাল ৬ চয়োল খরগী মনুংদা শাখিবনি লাইচৎ অসিবু থেংননবা। মসিগী মথক্তা মোবাইল ফোন্দা লাইচৎ অসি পক্লবা মীওইশিং কদাইদা লৈরি খঙনবা ত্রেকিং সিষ্টম শীজিন্নদুনা পেসেন্ট কয়া হোম ক্বারিন্টিন তৌদুনা থমখি। লোকদান তৌবা অদুদসু চৈখিবনি নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা হ্যূমেন রাইটস লৈতে হায়না চাইনাবু। চয়োল খরা লৈরগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা শন্দোরকপদা মখোয়সু চাইনাদা হ্যূমেন রাইটস লৈতে হায়না চৈবা য়াওরুবগী তৌনীংদা তৌনীংদা লোকদাউন তৌখি। অদুবু অদুক হাক্লা মায় পাকপদি ঙমখিদে মখোয়গী লৈঙাক্লা হায়বা ইন্দবা অমদি য়াম্না তোৎন-তিন্নবা, শম্নবগী মতৌ অদুনা। লোকদাউনগী ৱাহন্থোকসু লৈহনখিদে মফম কয়াদা। মদুনা মরম ওইদুনা মীওই লিশীং লিশীং শিখি। য়ু এস এদনা খ্বাইদগী হেন্না শিখি। অশেংবা নম্বরদি য়ু এস এদসু হায়বা ঙমখিদে রিপোর্ট তৌরক্তবা অমদি য়ূমদা শিখিবা কয়া লৈখিবনা। অদুবু এক্সপার্টশিংনা লাখ মাপলগী মথক্তা শিখি হায়না থল্লি।

চাইনাদা লোকদাউন তৌবদুনা হ্যূমেন রাইটস লৈতে হায়না মরাল শীবা অদুগা চাইনাদগী মশীং য়াম্না হেন্না লোকদাউন থল্লিবা ইটলি, য়ু কেনচিংবা লৈবাকশিং অসিদনা করিমত্তা হায়দবা ৱেষ্টর্ন মীদিয়াগী মীচং মীখাই নাইবা থৌওং অসিবু ইন্দিয়ানা ইন্দুনা ঙসিসু চাইনাবু মরাল শীবা, চৈবা লেপত্রি। মে ২৩দা "Ye Bharatki Baat Hein" হায়বা ইন্দিয়াগী টি ভি থৌরম অমখক্তা টি ভি হোষ্ট অদুনা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা য়াম্না কনবা মওংদা চাইনাদা মেজর জেনরেল জেন হায়রিবা নুপী অসি ৱুহান লেবোরেটরিদা চৎলি, প্রসিদেন্ট Xi Jin Ping গা উন্নবদা মনা পীখি, মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লালগী ওইবা মহীক থাজিন্দুনা মীওই কয়া হাৎতুনা সুপর পৱার ওইনবা হোৎনরি হায়বনচিংবা মরাল কয়া শীরি। মসিদনি ঐহাক্লা মমাঙদসু হায়জখিবদো। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচৌবা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মায়থীবদগী মীয়ামগী খোইশাওনবা অসি নমথনবা অমদি তুংদা লাক্কদবা ইলেক্সন্দা লৈঙাক্কী চুপলি পায়বা ঙম্নবা হায়দুনা লৈঙাক্লা পান্থোম তিংলিবা ইন্দিয়াগী মীদিয়াশিং শীজিন্নদুনা এন্টি-চাইনিজ ওইবা ৱেষ্টর্ন মীদিয়াশিং অসিগী মতুং ইন্দুনা ঙসি ঙসিসু চাইনাবু চৈবা লেপত্রি।

অসুম্না চাইনাদা মরাল শীদুনা লৈবসিনা কান্নবা করিবু পুরক্কদৌরিবনো। হোয় অসিগুম্বা চাইনাগী মায়োক্তা শান্নরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পোলিটিকেল প্রোপেগন্দা অসিনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিদদি খরসু কান্নবা য়াই, অদুবু মীচম মীয়ামদদি লাইচৎ অসি হেন্না হেন্না শন্দোরক্কনি অদুগা হেন্না হেন্না শিহনবা থোক্কনি হায়না থমজগে। অসিগুম্বা এন্টি-চাইনিজ ওইবা, এসিয়াগী মনাতোন নম্বা কাঙলূপসিনা ৱর্ল্ডগী সুপর পৱার ওইখিদৌরে কিবদগী চাইনাগী মথক্তা লেপ্তুনা মরাল শীরিবা এন্টি-চাইনিজ ৱেষ্টর্ন মীদিয়া কয়া অসিগী মতুং ইন্দুনা চৎকদৌবগী শরুক ইন্দিয়াগী মীওইশিং কোভিদ লাইচৎ অসিদগী কন্নবা হোৎনননবা ৱাখল, থবক অমদি শেল করিগী থাদদ্রিবনো হায়বা ৱাহং লাক্লি।

হন্দক্কী সী এন এননা থমখিবা ৱুহান লেবোরেটরিদগী ভাইরস অসি শোয়দনা নাম্থোকখিবা (লিক) ওইরমগনি হায়রিবা থিওরি অসি চাইনাবু য়াম্না হন্থনা, য়েংথীনা য়েংবা দোনাল্ড ত্রম্পনা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা মহাক্কী মখাদা শেমখিবা থিওরিনি। মসিতা নত্তে, চাইনাগী অনৌবা ৫ জি বি কম্ম্যুনিকেসন সিষ্টমনা শন্দোকপনি হায়বনচিংবা অতৈ থিওরি কয়া অমসু লৈরি চাইনাবু মরাল শীবগী। অদুবু কনাগুম্বা অমত্তনা কক্লবা প্রমান, খুদম (ইভিদেন্স) পুথোক্তুনা পীবা ঙমদ্রি। থিওরিদি ঐখোয়সু পংশাদা শাগৎপা য়াইনা। চাইনাদা নত্তে ত্রম্পনা মরাল শীরিবা। য়ু এস এগী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন্দসু বাইদেননা ভোট হুরান্দুনা কাবনি হায়দুনা মরাল ঙসিসু শীবা লেপত্রি। অদুবু অকক্লবা খুদম (ইভিদেন্স, প্রুফ) অমত্তসু পীবা ঙমদ্রি। মশামক্লা লৈঙাক্কী চুপলি পায়রিবা মহাক্লা ওপোজিসন্দা লৈবা, লৈঙাক্কী পৱারসু পায়দবা জো বাইদেনগী পার্টিদা মরাল শীরি মশাগী অশোনবা, অশোয়বা অমদি টেক্স থিদবগী অরানবা কয়া কূপশিন্নবা, মেনশিন্নবা হোৎনবদা। অসুম্না তৌবসিবু করম্বা লৈপাক্তা থেংনবিখ্রবগে ময়াম। মসিমক্লি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা শান্নরিবা লীলাসি, মীচম মীয়াম কন্নবা মথৌদি তৌদনা।

অদুগা চাইনাবু অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মীওই হাত্তুনা সুপর পৱার পায়বা লৈবাক অমা ওইনবনি হায়না মরাল শীরি ৱেষ্টর্ন মীদিয়া অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পান্থোম তিংবিরিবা মীদিয়াশিংনা। মসিদসু ময়াম্না খঙজিনবীগদবা অমনা ঙসি ফাওবদা চাইনানা করম্বা লৈবাক্তা লান্দাবা লৈখ্রে, করম্বা লৈবাক্তা মহাক্কী নৎত্রগা কেমিকেলগী ওইবা লাল (বাইওকেমিকেল ৱার) তৌখিবা য়াওরে। অমা ফাওবা তাদ্রি, থেংনদ্রি। অদুবু এন্টি-চাইনা ৱেষ্টর্ন মীদিয়া কয়ানা সপোর্ট তৌরিবা য়ু এস এ অমদি লৈবাক কয়াদা বাইওলোজিকেল অমদি কেমিকেল ৱার শীজিন্নরকখ্রবনি কুমজা ১৯৪৩দগী হৌদুনা। ভিয়েটনামসু লৈবাক অমনি মদুগী চৈথেং ফংখিবা। মিদ্দল ইষ্ট লৈবাক খরদসু লৈবাক লৈবাকশিং অদুগী রুল্লিং পার্টি নৎত্রগা ওপোজিসন পার্টিবু শৌগৎতুনা অতোপ্পা পার্টি অদুগী লান্মীশিংবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা। মসিদা রসিয়াসু য়াওরি। য়ু কে, ফ্রান্স, নোর্থ কোরিয়া, সাউথ কোরিয়া, জপান লোইনমক বাইওলোজিকেল ৱেপন লৈবা ঙাক্তনি। চাইনাসু জপানসু অসিগুম্বা খূৎলায় অসি শীজিন্নদুনা চাইনাগী মীওই মিলিয়ন ১০ হেন্না হাৎখিবনি অহানবা অমদি অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা। অদুগা করিগীনো লৈবাক অমত্তদসু লান্দারুবা লৈখিদ্রিবা (ইন্দো চাইনিজ ৱার লৈ মদুদি ঙমখৈগী য়েৎনবগীনি) চাইনাবু হঞ্জিন হঞ্জিন মরাল শীরিবা মখোয়সে য়াম্না শাথীবা, লাল পাম্বা কাঙলূপকী মীওইগুম।

লোইশিল্লকপদ, চহী ৩০/৪০ চঙনা কন্না হোৎনজদুনা মরমদমগী লায়রবা কোকহল্লিবা, মালেমগী লৈবাক কয়াগা খূৎশম্নদুনা লল্লোল ঈতিক তৌদুনা চাওখৎমিন্ননবগী খোঙথাংদা চঙশিল্লিবা চাইনাবু লাল য়াম্না পাম্বা, মীহাৎপা কাঙলূপকুম উহন্নবা হোৎনরিবা ময়ূমগী মথৌদি তৌদবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অসিগী মতুং ইন্দুনা চৎপনদি ইন্দিয়াদা কান্নবা করিসু পুরক্লোই। মমাঙঙৈদা বৃটিশ এম্পিয়রনা শান্নরম্বা 'দিভাইদ এন্দ রুল' হায়বা থৌওংদো ঙসিসু নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা, মরু ওইনা য়ু এস এ, য়ু কেনা শান্নরি হায়বসি নীংশিংবীবা ফৈ ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অমদি মীচম মীয়াম্না। চৈগেরা চৈরোইরা চাইনাদি অদুম চাওখৎখিগনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা য়ুটিলাইজেসন বেসিসতা ফিজিকেল এদ্যুকেসন টীচর (পি ঈ টি) ওইনা থবক তৌবীরম্বা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ী এলাংবম খোমৈ সিংহ ঙসি কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৫৯ শুখ্রে। মহাক ভোল্লিবোল নেসনল প্লেয়র অমসুনি। মহাক রাজমেদিসিটি হোস্পিটালদা মতম খরা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি।

মহাক্লা স্কুল অসিদা লৈরিঙৈ মতমদা স্পোর্টসকী মরমদা পূক্নিং থৌগৎপীবা অমদি স্পোর্টস দিসিপ্লিনগী মতাংদা নীংথিনা তাকপী-তম্বীরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবা অসি স্কুল অসিগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। স্কুল অসিগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়না লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল কুঞ্জোনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

ঙসি উরুপ অরাপ্তি দিভলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিগী টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংনা এরিয়া অসিগী কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈবা ইমুংশিংদা অনীরকশুবা ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। উরুপ অরাপ্তি দিভলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা কোনবা উরুপ অমদি অরাপ্তিদা নিশা চাবা, য়োনবনচিংবা অসি অথিংবা থল্লে। হায়রিবা অথিংবা অসিগী ৱাংমদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা তৌরক্লবদি মদুগী অফ-ফত্তগী তেকচাক খূদিংমক মশা মশানা পুগদবনি হায়না কম্মিটি অসিনা থোকপা চেরোলদা ফোঙদোরক্লি।

## চান-থক্লবা য়েনখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই দি ও) পল্লেল থোংৱাংমা, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট মণিপুরনা শীন্দুনা পল্লেল থোংৱাংমা অমদি লাইমাঙ চিংজিলদা লৈবা য়ূমথোঙ খূদিংদা ৱানরবা তাঞ্জা অসিদা এঞ্জাং চরা অমতং ওইরবসু য়েন্থোকখ্রে।

ঙসিগী য়ূমথোঙ খূদিংদা য়েন্থোকখিবা ইমুং অমদা নোংমগী চঙবা পোৎলমশিং অদু উপ অদক্ষ্য পল্লেল জেদ পি মেম্বর এমদি নাজিমুদ্দিন, পল্লেল জি পিগী প্রধাণ এমদি মুকিমুদ্দিন, ফোরেষ্ট বীট ওফিস পল্লেল এমদি সলাউদ্দিন অমসুং ককচিংদগী সোসলা ৱর্কর এন নবচন্দ্র সিংহনা ক্লব অসিগী খূথাংদা পীবিরকপনি হায়রি।

তেংবাংবীরকপাশিংবুসু ৱাই দি ওগী মায়কৈদগী ইকায় খুম্নজবগা লোয়ননা থাগৎচবা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদ লায়নাগী ৱারবা মতম অসিদা য়ূম ফাওবা নীংথিনা লৈরমদবা লাইবক থিবনি: কেঐচ সুরেশ

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লৈবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইরবসু লৈনবা য়ূম ফাওবা নীংথিনা লৈতবা কনানসু খঙদবা খম থেংনা ৱারবা মীওইশিং লৈরি। কোভিদ লায়নাগী ৱারবা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফাওবদা ফংবা ৱারবা মতম অসিদা লৈনবা য়ূম ফাওবা নীংথিনা লৈরমদবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী ইন্টেন্দিং কেনি দদেট ওইগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা খুম্থোংময়ূম সুরেশনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি উরিপোক ময়ায় লৈকায়দা কনাসু লৈজদনা নাইতোম হিংলিবী ইরোম দেবজানি (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইরোম বিরচন্দ্রগীদমক খুম্থোংময়ূম সুরেশকী মীৎয়েং মখাদা নৌনা



শাবা য়ূম খূৎশিন্নবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা সুরেশনা মখা তানা, উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লৈবগী মথক্তা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লৈবা উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমসু ওইরিবনি। ঙসি ঙসিমকসু কোভিদ লায়নাগী অৱাবা চৈথেংগী মথক্তা হীরম কয়াদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা, লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংগী মীওই কয়া লৈরি। মরম অসিনা মখা তানা উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি অৱাবা, লৈত-লায়রা লৈতবা ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লৈবা মশক থোকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওহন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়খি।

কোভিদকী ৱারবা মতম অসিদসু ঙসি ফাওবা উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়ামগী অৱাৎ অপাদা মতেং পাংদুনা লাক্লি, মখা তানসু পাংখিগনি। কোভিদ লায়না লোইখ্রবসু উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগীদমক অমদি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়ামগীদমক হীরম খূদিংমক্তা য়াইফগদবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎখিগনি। মসিদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম্না কো-ওপরেসন পীবিয়ু। লোয়ননা কোভিদ লায়না লাইচৎ অসি পূন্না অমত্তা ওইনা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম্না থেংনমিন্নবা হোৎনমিন্নসি। মসিদা পাংবা য়াবা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খি।

## ব্লেক দে শৌগৎপীখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি: লৌমী লুপ

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

মশিং য়াম্লবা লৌমীশিংনা য়ানীংদবা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম হন্দোকহন্নবা, ইলেক্ট্রিসিটি এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২০ চৎহন্দনবা অমদি লৌমীনা ৱানা পুথোকপা পোথোক মখলশিংগী অচাবা মমল লেপ্পবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লৌমী ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা সমযুক্তা কিসান মোর্চানা মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদগী চঙশিল্লকখিবা ঈহৌ খোঙজং থা ৬ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা ঙসি মে ২৬তা পাঙথোকখিবা ব্লেক দে থৌরমদা মপূং ফানা শৌগৎলকখিবা ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসন অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংবু ওল মণিপুর লৌমী লুপ্পা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯গী লুরবা তানফম অসিদা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসিনা লৌমী অমসুং মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনদবা লন্নাই কোর্পোরেট মপু খরগী শেন্দোং ৱাংহন্নবা পেট্রোল অমসুং দীজল থাউগী মমল হেনগৎ-হন্দুনা মীচম মীয়ামগী ৱানা তুংশিঞ্জবা শেনফমশিং লূট তৌনবা হোৎনবা লেপত্রি। মচিন্দনা লৌমীগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহন্নবা তোয়না ফোঙদোক্লবসু নাখৈ শেংনা শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনখিবসি বি জে পিবু লৈঙাক শক্তি পায়হনবদা চাওনা মতেং পাংলিবা মুখেশ অম্বানি অমদি অদানি অনীদনি।

থা তরুক হেল্লক্লবা লৌমীগী ৱাকৎ তাশিন্নদনা লৈথোকপা ঙল্লবা লৈবাক অসি মখা তানা শক্তি পায়হন্দনবা মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি মীখলশিংদা সমযুক্তা কিসান মোর্চাগী লুচিংবশিংনা বি জে পি মীরেপশিং মায়থিবা পীনবা অকনবা কেম্পেন চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরক্লিবসি লৌমীশিংবু মীনম্বা লৈঙাক অসিগী অশেংবা শক্লোন খঙলকপদগীনি। লৌমী শিন্মীনা লৈবাক্কী ইকোনোমিক গ্রোথ ৱাংহল্লি হায়বসি মালেমগী মমিং লৈরবা লুচিংবশিংদা নত্তনা ইকোনোমিষ্ট কয়ানা ফোঙদোক্লরিবা ৱাফম্নি। লাইবক থিবদি লৈঙাক অসিনা লৌমীগী ৱাকৎশিং খন্ননবা মখা তাবা ৱারী শান্ননবা থৌরাংদ্রিবসিনি। অসিগুম্ব ফিভম অসিদা লৌমীশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখল ফল অদুগা মান্নবা ফিভম লাকহন্নবা বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লি মীখলশিংদা গেরুৱা মচুগী পার্টি অসি পাড়া অমা তম্বীনবা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। লোয়ননা তমথিরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা অথুবা মতমদা ফার্ম বিল অহুম হন্দোক্লবা মণিপুর লৌমী লুপ্পা দাবী তৌরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইমুং ১০০গী মথক্তা চান-থক্লবা মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

পেন্দমিক কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থল্লক্লিবা শাংলবা পুল্লক কর্ফিয়ুগী মনুংসিদা নোংমগী চারা তাঞ্জরগা চাজরম্বা, শুফম নোম্ফম লৈরক্তবদগী কা হেন্না চৈথেং ফংলবা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব (ৱাই ও এস সী)গী অকোয়বদা লৈবা ইমুংশিং থিদোক্তুনা ইমুং ১০০গী মথক্তা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং ক্লব অসিনা তেংবাংখ্রে হায়না সোসল এন্দ কলচরেল সেক্রেটরি কোন্সম ভিক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা লানফমগী মশক ওইরবা তাঞ্জা অসিদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা লৈকায় লৈকায়গী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী খূদিংমক্লসু শুফম নোম্ফম খঙদবদগী চারা হেনবগী তাঞ্জা লাক্লবা ইমুং মনুংশিং খন্দোক্তুনা মতেং পাংবীয়ু অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ অমদি অনীশুবা ৱেভ মনুং অসিদা ক্লব অসিনা লৈকায় অহুম/মরি অসিদা লৈরিবা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুং কয়া অমদি লৈত-লায়রা শুফম-নোম্ফম খঙদ্রবা ইমুং কয়া চান-থক্লবগী মতেং পাংজরি। লোয়ননা এস ও পি ঙাক্তুনা ক্লব অসিগী শভলেন্দা ফেয়র প্রাইস শোপ ভিজিটেবল ভেন্দর হাংদোক্তুনা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা অতাবা মমলদা মনা-মশিং, চান-থক্লবা পোইলম কয়া ফংহল্লি হায়নসু মখা তারক্লি।

## ৱার্দ লেভেল টাস্ক ফোর্স কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ লাকশিন্নবা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংদা মপূং ফানা কো-ওপরেসন পীনবা অমদি কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইবা ৱার্দ অমা ওইনবগী পান্দমদা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল, ৱার্দ নম্বর-৯গী ওইবা ৱার্দ লেভেল টাস্ক ফোর্স কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ লৈঙাক্লা থোকখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না কুম্বী তেরাখাদা লৈবা সিটিজন ৱেলফেয়র এসোসিএসন কুম্বী ৱার্দ নম্বর-৯গী ওফিস মমাঙদা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লগা শেমখ্রে।

সিটিজন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, কুম্বী ৱার্দ নম্বর-৯গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ৱার্দ অসিগী হান্নগী কাওন্সিল্লর ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাংনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্দ লেভেল টাস্ক ফোর্স কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ শেম্বগী মীফম অদুদা ৱার্দ অসিগী হান্নগী ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর অনী খাঙেম্বম চন্দ্রমনি, সামোম ইনাওচা, সী দব্লিয়ু এ কুম্বী ৱার্দ নম্বর-৯ অমদি ইবুধৌ ঈশিং চাইবা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মরু ওইবা লুচিংবশিং, আশা ৱর্কর প্রেমিলা দেবীসু শরুক য়াখি হয়রি।

মীফম অদুদা মীওই ১০না শাবা টাস্ক ফোর্স কম্মিটি শেমখিবগা লোয়ননা খাঙেম্বম ইবোহল মীতৈবু প্রসিদেন্ট অদুগা কুম্বী কোলেজগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি বিকেন নিংথৌজমবু সেক্রেটরি ওইনা খনখি।

## সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি থক্লবা ঈশিং মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভি পি অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ এন নিম্বস, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ মীতৈনা লুচিংদুনা লন্নাই কেন্দ্রগী ওইনা পুংদোংবমদা লৈবা লন্নাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর, লন্নাই অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা হাংবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমদি য়াইঙংপোকপীদা লৈবা চীং-তম হায় স্কুলদা হাংবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরগী ফিভম য়েংশিনবগা লোয়ননা সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি থক্লবা ঈশিং মতেং পাংখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা বি জে পি ষ্টেট কাওন্সিল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোস, বি জে পি লন্নাই মন্দলগী চেয়রমেন কেঐচ ইবোমচা, তেলৌ-চানা-সৈজাং জেদ পি মেম্বর অমদি লন্নাই এ সী কোভিদ এৱ্যেরনেস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চেয়রপর্সন এ জামিনি, কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স, লন্নাই মন্দলগী কনভেনর ঈ অমিতকুমারনচিংবা শরুক য়াখি। লোয়ননা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অসিদা শেলগী মতেংসু পাংখ্রে হায়রি।

## লমকাদা কোভিদ-১৯গী এৱ্যরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচরেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমাক্সু)গী মপোক নুমিৎ মে ২৬ অসিদা ইরমদম অসিগী কাচিন-কোয়াদা পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক কলচরগী লম্দা কথোকপীদুনা লাক্লবা অদুবু লৈঙাক্লা থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙবীদুনা খুদোংচাবদি অমত্তা ফংদ্রিবা অহল ওইরবা আর্টিষ্টশিংদা অঙম্বা খূদোল তমজদুনা মখোয়না কথোকচরকপা কয়া অদুগী ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম চহী খূদিংগী শীন্দুনা লাকচবা অদু হন্দক ২২শুবা অমাক্সুগী মপোক কুমওন অসিদি লৈবাক অসিদা ওইরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অদুগুম্বা অহল ওইরবা আর্টিষ্টশিং থি-হুমদুনা তাশিন খোমজিনবগী তাঞ্জা অদু লৌবা ঙমজদবনা মরম ওইরগা চহী অসিগী ওইনদি ইরমদম অসিগী কলচরগী লম্দা পদ্মশ্রী এৱার্দনা ইকায় খুম্নখ্রবা/খুম্নখ্রবী ওজাশিংদা ঙমজবা খূদোল খরা ওজাশিং অসিগী য়ূম য়ূমদা চত্তুনা তমজবা অমসুং ওজাশিং অসিবু খুরুমজবা অচম্বা থৌরম ওইনা পাঙথাকখ্রে হায়না অমাক্সুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরিগী সুননদেভ ৱাহেংবমনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা পদ্মশ্রী ওজা ১২ অদুদি রতন থিয়াম, কেঐচ ওংবী থৌরানিশাবী, সৌগাইজম থানিল সিংহ, য়ূমলেম্বম গম্ভীনি দেবী, হৈস্নাম সাবিত্রি, আর কে অচৌবা সিংহ, খাঙেম্বম মঙ্গি সিংহ, ইলাম ইন্দিরা দেবী, ৱারেপ্পা নব, লাংপোকলাকপম সুবধনি দেবী, রাধে দেসভ, রিয়ুবেন মসাংবানি। হায়রিবা ওজাশিং অসিদা অচম্বা খূদোলগা লোয়ননা ইকায় খুম্নবা উৎচখি।

## কোভিদ-১৯গী এৱ্যরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মিদিয়ানা কোভিদ-১৯গী ওইবা লেপ্তুনা চৎথরকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ঙাতাল ৱেরা, লমকা চুড়াচান্দপুরদা কৈথেল ফন্নিবা অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবশিংদা কোভিদ-১৯গী ওইনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফাঞ্জৌবম লনজিৎ সিংহ, প্রোদ্যুশর সেলিন দিজিটেলনা হায়খিবদা, হৌজিক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ নারক্লবা মতমদা মসিগী চপ চাবা হীদাক পুথোক্ত্রিবনা ঐখোয় পুম্নমক লৈঙাক্লা পীরকপা কাপ্পা য়াবগী চহী শুরবশিংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি শুংশোয় শেয়দনা কাপথোকসি। মতম মতমগী ওইনা লৈঙাক্লা পীরক্লিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর (এস ও পি) অসি ঙাক্লা চৎসি। ঐখোয় ফেশ মাস্ক য়ূমদগী হেক মপান থোরকপা মতমদা উপসি। হেন্দ সেনিটাইজর নিয়ম চুম্না তৌদুনা তরু-তানান্না লৈসি, লোয়ননা মী অমগা অমগী মরক্তা ফিট তরুককী অরাপ্পা শুংশোয় শোয়দনা থমসি। মীয়াম্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা চিংনবা লৈবা পূম্বা থাদোক্তুনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। মসিনা ঐখোয়গী পুন্সিবু কনবদা অচৌবা কান্নবা অমা পীগদৌরিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সেলিন দিজিটেলগী এফ পি ও কেএসঐচ জেমস সিংহ অমদি এন আর মিদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর সিংহসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা ফেশ মাস্কসু য়েন্থোকখি।

## ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ/ অৱাবা ফোঙদোকপা

Khsetrigao Kendra Assembly Constituencyগী Intending candidate Alhaj Sheikh Noorul Hassanগী Booth Level Election Committee, 4/20, Top Awang Leikai, Imphal East না Booth অসিমক্কী 4/18, 4/19 অমসুং 4/21গী Election Committee Secretary incharge ওইনা থৌ পুবীরম্বা Shri Ayekpam Herojit Singhনা মনুং-মতম চাদনা খংহৌদনা লৈখিদবা, লোয়ননা Intending Candidate অসিমক্কী অপোকপা Sh. Alhaj Md Nur Muhammad Retd. A.S.I. Wireless Operator, Manipur Police, অমদি Secretary Incharge Shri Chanam Yaima Thambalkhong Laishram Leikai দা লৈবনা লৈখিদবদা মীনিত ২ তুমিন্না লেপতুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাংথোকখি। ঙসি তাং ২৩/০৫/২০২১ ইংগী condolence মীফম অসিদা Booth Level Election Committee অসিগী Advisor Shri Thingbaijam Deben Singhনা লৈখিদ্রবশিং অসিনা Kshetrigao Kendra অসিবু অওনবা-চাওখৎপা Kendra অমা ওইহন্নবা অমদি ইমা লৈবাক Manipur অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা শরুক য়ারুনবা মতিক চাবা M.L.A. অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা চাউনা শরুক য়াজরম্বা তৌজরম্বা অদুগী মতাংদা মরিকচুম্বা ৱাফম কয়া থম্বীবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিং অসিগী থৱাই-মিরেন্না মপুগী লৈকোন্দা খুয়া-তুশিংনা লৈরুনবা অমদি লৈখিদ্রশিংগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ফোঙদোকচরি।

Sd/- Ch. Deban Singh
Secretary
Booth Level Election Committee 4/20

HL-P/9786/27

## ꯁꯦꯜꯈꯥꯛ/WALLET LOST

I have lost my wallet containing 1 Service ID card bearing Card No. 1302 issued by Commandant, 8th (CDO) Bn. Manipur, ATM Card of SBI, High Court Complex Chingmeirong, bearing A/c No. 37582110937 and Aadhaar card on the way between 2nd MR and Sajiwa Jail Road on 16/5/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thongam Febalus Singh**
Khurai Thongam Leikai
Mobile # 8794091212

HL-P/9785/27

## ꯅꯨꯡꯁꯤꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6